অনৌবা ফোর্স শেম্লগনি

কানবেরা, দিসেমবর ০২ (এজেন্সি) :

টেররিজমগা মরী লৈনবা থ্রেটশিং হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা ফোরেন স্পাইশিং অমদি মপান্দগী খুৎ থিজিংল্লকপগী থৌওংশিং থেংননবা অখন্নবা ইন্টলিজেন্স টাস্ক ফোর্স শেম্লগনি হায়না ওষ্ট্রেলিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসন্না মপানদগী অনৌবা থ্রেট অমা লাক্লে হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নৌনা শেমগদৌরিবা বোদি অদুনা লৈবাক অদুগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিং কোওর্দিনেট তৌদুনা নেসনল সিক্যুরিটিদা শোকহনগদৌরিবা মপান্দগী খুৎ থিংজিল্লক্লিবশিং খঙদোকপদা মতেং পাংলগনি হায়খি।

ঈ ভিজাশিং চঙলগনি

লন্দন, দিসেমবর ০২ (এজেন্সি) :

ব্রেক্সিট মতুংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ভিজিটরশিং বৃটেনদা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা ইলেক্ত্রোনিক ক্লিয়ারেন্স অমা লৌবগী তঙাইফদবা লাক্কনি হায়না য়ু কেগী রুলিং কঞ্জার্ভেটিভ পার্টিগী লিদরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা য়ু এস মিলিটরি জহাজ, এয়রক্রাফট হোং কোংদা চঙবা থিংখ্রে, এন জি ওশিংদসু অথিংবা থমখ্রে

বৈজিং, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

য়ু এস মিলিটরি জহাজশিং অমসুং এয়রক্রাফট হোং কোংদা ভিজিট তৌবা য়াহল্লরোই হায়না চাইনানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংবু কা হেনবা অমদি ক্রিমিনেল ওইবা থবক থৌওং কয়া চথুনবা পুক্লিং থৌগৎখিবা য়ু এসকী নন-গভর্নমেন্ট ওর্গনাইজেন (এন জি ও) কয়ামরুমগী মায়োক্তসু অথিংবশিং লাউথোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োলদা পাস তৌখিবা এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং শৌগৎপা য়ু এস লেজিসলেসন অমা শীংনরদুনা চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা খোঙথাংশিং অসি লাউথোকখিবনি।

য়ু এস মিলিটরিনা হোং কোংদা ভিজিট তৌনবা নৎত্রগা পন্নবা হায়জরকপা খুদিংমক মতম কক্তনা লৌররোই হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মতুং তারকপদসু অহেনবা খোঙথাং কয়াসু লৌখৎখিগনি হায়না চেকশিন ৱা হায়খি। ঐখোয়না য়ু এসতা অশোয়বা কয়া চুমথোক্লবা অমসুং ঐখোয়গী মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিংদা খুৎ থিংজিনবা লেপ্পবা তকশিল্লি। হোং কোংদা তং তাবা ফিভম লাকহন্নবা অমদি চাইনাগী সোভরেন্টি ঙাক্ল বগীদমক্তা তঙাইফদ্রবদি বৈজিংনা মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না বৈজিংদা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপর্সন হুৱা চুনয়িংনা ফোঙদোকখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হোং কোংগী এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং শৌগৎপগা লোয়ননা চাইনাদা অথিংবা কয়া থমগনি হায়না কিহল্লিবা হোং কোং হ্যুমেন রাইটস এন্দ দেমোক্রেসি এক্ট খুৎয়েক পীখিবা মতুং চাইনানা হৌখিবা চয়োলদা য়ু এসকী খোঙথাং অদুগী মায়োক্তা লমন খুন্নগী অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবনি। হোং কোংগী মতাংদা মুক্লবগী ফিভম অমা লাক্লিবা অসিনা বৈজিং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা নাকল অনীগী লল্লোন ইতিক্কী লানগা মরী লৈননা প্রিলিমিনরি দিল অমা লাকহনবদা খুরৌ থাংহল্লগনি হায়না থাজনরি।

য়ু এসকী নুপা অমনা ইন্দিয়ন মহৈরোয় অমা হাৎলবা মতুংদা সরেন্দর তৌখ্রে

সান ফ্রান্সিকো, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

কার্লিফোনিয়াগী সান বর্নার্দিনোদা ইন্দিয়ন মহৈরোয় অভিসেক সুধেস হাৎলবা মতুংদা য়ু এসকী নুপা অমা পুলিসতা সরেন্দর তৌখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

সান বর্নার্দিনো কাউন্টি সনকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মশাগী চহী ৪২ শুরবা ঈরিক দেভোন টর্নর হায়বা মীওই অসি হৌখিবা নবেম্বর ২৮ দা থেঙ্কসগিবিং দেদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমদা মহাক্লা ইন্দিয়ন মহৈরোয় অদুবু হাৎখিবা মতুং থাংজ নুমিত্তা পুলিসতা সরেন্দর তৌখিবনি।

সান বর্নার্দিনো পুলিসকী সর্জন অলবার্ট টেলোগী মতুং ইন্না নোংমৈ কাপ্পগী রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা ওফিসরশিং সাউথ ঈ ষ্ট্রিটতা লৈবা ১০০ ব্লোক্তা কৌরকখি। মফম অদুনা ওফিসরশিংনা মশাগী চহী ২৫ রোম শুরবা সুধেস কৌবা ইন্দিয়ন মহৈরোয় অসি মশাদা নোংমৈনা পানবদগী থোক্লকপা ঈখেং মরক্তা লৈমায়দা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি।

হোং কোং য়ুনিভর্সিটিদা খুৎলায় কয়ামরুম লৈরম্লে

হোং কোং, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

হোং কোং পোলিটেক্নিক য়ুনিভর্সিটিগী অমাঙ অতা থোকখ্রবা কেম্পসতা পেট্রোল বোম ৪০ হেন্না অমসুং অতৈ খুৎলায় কয়া লৈরম্বা থেংনরে হায়রি।

এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টরশিং অমসুং পুলিস ফোর্সকী মরক্তা কন্না মুক্লখিবা প্রিমিসিস অদুগী অকোয়বদা নুমিৎ ১৩ নি চুপ্পা থল্লকখিবা কোর্দন পুলিসনা লৌথোকখিবা মতুংদা খুৎলায়শিং অদু য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতুনা লৈরম্বা থেংখিবনি।

পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা শীৎ-শেংবগী থবক খরা পাঙথোকখ্রবা মতুংদা মখোয়দা মখা তানা কেম্পস অদুদা পেট্রোল বোম খরা অমসুং খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং লৈরম্বগী পাউ পীরকখি। ওফিসরশিংনা মফম অদুনা চঙশিল্লুবা মতমদা পেট্রোল বোম ৪১, মখল মখা কয়াগী কেমিকেল বোট্ল ১০ অমসুং গ্যাস কেনিষ্টর ১ লৈরম্বা থেংনখি।

পুলিস অমদি ফয়ার দিপার্টমেন্ট অনীমক্না ফোঙদোকখিবদা, কেম্পসতগী খুৎলায়শিং লৌথোকপগী ওপরেসন নোংমাইজিং নুমিত্তা এরিয়া অদুদা প্রোটেষ্ট চথুরকপদগী লেপ্পা তাখি। মখোয়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেম্পস অদুদা অমুক হল্লক্তুনা লৈহৌরিবা খুৎলায়শিং অদু লৌখৎনবা থৌরাং তৌখি।

মমাংদা য়ুনিভর্সিটি ষ্টেটমেন্ট অমনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা কেম্পস অদুদা পেট্রোল বোম ২০ অমসুং অতৈ ওফেন্সিভ খুৎলায় কয়া লৈরম্বা থেংনরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

য়ুনিভর্সিটি কেম্পস অদু মহৈরোয়শিং অমসুং ষ্টাফকী ওইনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভমদা লৈখিবগা লোয়ননা মেনেজমেন্টনা মখোয়দা নোংমাইজিং অমসুং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মফমদুদা চঙবদা খুদোংচারোই হায়বসি খঙহনখি।

সাউথ চাইনা মোর্নিং পোষ্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌখিবা নবেম্বর ১৭ তা রেদিকেল-প্রোটেষ্টর অমসুং মখোয়গী সপোর্টর লিশিং হেনবনা কেম্পস অদু পায়শিনখিবগা লোয়ননা পুলিসকা অকনবা লান শোক্লখি। মখোয়না য়ুনিভর্সিটিগী মনাক্তা লৈবা ক্রোস-হার্বর টনেল তাবা লম্বীশিং থিংজিনখি অমসুং অনকপদা লৈবা থোং কয়া মৈ থাবা হৌখি। পুলিস ফোর্সনা ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনরদুনা টিয়ার গ্যাস কাপখি অমসুং য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতগী থোক্লবগী লম্বী নৎত্রগা গেট খুদিংমক থিংজিনবগা লোয়ননা মনুংদা লৈরিবা পুম্নমক মফমদু থাদোক্লবা খঙহনখিবনি।

টাইফুন কাম্মুরি থুংলদ্রিঙৈদা মীওই লিশিং কয়া হোংদোকহনখ্রে

মানিলা, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

কুমজা ২০১৯গী সাউথ-ইষ্ট এসিয়ান গেমসতা অকিবা পীরবা য়ারিবা টাইফুন কাম্মুরি থুংলদ্রিঙৈগী মাঙওইননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফিলিপিন্স মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনবা হৌখ্রে হায়রি।

ফিলিপিন্স এটমোসফিয়রিক, জিওফিজিকেল এন্দ এষ্ট্রোনোমিকেল সর্ভিসেস এদমিনিষ্ট্রেসন (পাগাসা মিটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট) কী খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টতা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী হৌরগা মরু ওইনা ফিলিপিন্সকী অৱাং থংবা লমদমদা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিং থোক্কনি হায়না লাউথোকখি।

পুংদা কিলোমিটর ১৫০ গী খোঙজেল ওইবা নুংশিৎশিং পুরিবা টাইফুন কম্মুরি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লমদম অদুদা থুংলগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং ইর্মজেন্সি সর্ভিসনা লুজোন ইথৎকী খা নোংপোক থংবা শরুকশিংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই লিশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনবা হৌখি।

চাংচৎতা পুংদা কিলোমিটর ১৫০গী খোঙজেল ওইবা নুংশিৎশিং অদু কনশিল্লকপা মতমদা পুংদা কিলোমিটর ১৮৫ ফাওবগী চাংদা য়ৌবা য়াই হায়না মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখি।

ফিলিপিন্স ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না এন্টিক প্রোভিন্সকী টাউন ১৪দা নিংথৌকাবা নুমিৎতা স্কুলশিং ক্লাস লেপহনখি অমসুং ঙামীশিং অহাংবা সমুদ্রদা হি তোংদুনা চত্তনবা খঙহনখি।

কেপিটেল মানিলাদা মেট্রোপোলিটান মানিলা দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী জেনরেল মেনেজর অর্তুরো গার্সিয়ানা হায়খি মদুদি, টাইফুন অদুনা খরা থিনা শোকহনবা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবা মফমশিংদা ইমর্জেন্সি ইক্বিপমেন্ট অমসুং রেস্পোন্দরশিং থমখ্রে অমসুং বিলবোর্দশিং লৌথবগা লোয়ননা স্কুলশিং ক্লোজ তৌবগী থবক শোয়হন্দনবা য়েংশিনখি।

ষ্টদি খরদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্লা মেট্রো মানিলাগী ভিলেজ ৫৭৯ লোম ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদশিং থোকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

ফ্রেঞ্চ হেলিকোপ্টর কায়বদা ৩, ঈচাওদা ২ শিরে

পেরিস, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

ফ্রান্সকী খা নোংপোক থংবা লমদমদা রেস্ক্যু মিসন অমা চৎলিবা হেলিকোপ্টর অমা হৌখিবা অহিংদা কাইদুনা মদুদা তোংখিবা ইমর্জেন্সি ৱার্কর অহুম শিখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা থোক্লিবা শাথিরবা ঈশিং ঈচাওদা অতৈ মীওই অনী অমসু শিরে হায়না ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ঈ সী ১৪৫ রেস্ক্যু হেলিকোপ্টর অদু হিলিবার রিজনগী লে লুক-লে কার্নেট তম্মা পাইখিবদা কন্ট্রোলরশিংনা রেদিও অমসুং রাদর কন্টেক্ট মাঙনখিবনি। হেলিকোপ্টর অদুদা তোংখিবা মীওই অহুমগী হকচাংশিং লোকেল মতমদা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবদা ফংখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা ফ্রান্সকী মেদিটরিনয়ন সী খোংবানগী লমদমদা নোং কন্না চুখিবগা লোয়ননা ঈচাও শাথিনা থোকহন্দুনা ট্রান্সপোর্টেসনদা পাক শন্না অকায়বা পীখি। লোকেল ওফিসলশিংনা ঈচাওকী ঈশিংনা মীওই অনীগী অশিবা হকচাংশিং চেন্থখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

ফ্রেঞ্চ মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না মীওই অনীদুগী মনুংদা শা-ষন লোইবা মীশক অমদি খঙহৌদনা ঈচাও থোক্লকখিবদা মশা য়াওনা মহাক্কী গাড়ি অদু ঈচাওগী ঈশিংনা চেন্থখিবনি। অতোপ্পা মীওই অদুনা ষ্টেবল খরগী মপুনি। মহাক শাশিং য়েংশিনবা থোকপদা অরুবা ঈশিং অমা লান্নবা হোৎনরুবদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

ফ্রান্সনা ঙসি লৈবাক্কীদমক্তা মথৌদাং পাঙথোক্লিঙৈদা লৈখিদ্রবা লান্মী ১৩গী অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোক্লবা শেম শারিঙৈদা লৈবাক অসিগী মমল য়াম্লবা মীওই অহুমগী পুন্সিসু লোমখ্রে হায়না ইন্টিরিয়র মিনিষ্টর খৃষ্টোপ কাষ্টনর অমদি মহাক্কী দেপ্যুটিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

অফঘান প্রসিদেন্ট মীখলগী রিজল্ট লাউথোক্লবা ৱারী শান্নরি

কাবুল, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

প্রোভিন্স ৩৪ গী মনুংদগী ২৭কী ভোট মশিং থিবা অমুক হন্না পাঙথোকখিবা মতুংদা সেপ্তেম্বর ২৮ গী প্রসিদেন্ট মীখল অদুগী রিজল্টশিং লাউথোক্লবা অফঘানিষ্টানগী ইন্দেপেন্দেন্ট ইলেক্সন কম্মিসন (আই ঈ সী)দা হৌজিক খন্ন-নৈনবগী থবক চথুরি হায়রি।

তোলো ন্যুজকী মতুং ইন্না প্রোভিন্স ২৭ কী অপুনবা পোলিং ষ্টেসন ৮,৩০০গী মনুংদগী পোলিং ষ্টেসন ৭,০০০ হেনবগী ভোট মশিং ইলেক্সন কম্মিসন্না অমুক হন্না থিখ্রবনি। ইলেক্সন কম্মিস্নরশিংনা দিটেল্ড রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌরি হায়না আই ঈ সী সেক্রেটরিয়েটকী মকোক হবিব-উর-রহমন নাম্না ফোঙদোকখি।

হান্নগী আই ঈ সী ওফিসল খরনদি রিজল্টশিং লাউথোক্ক্রিঙৈ মাঙওইননা কম্মিসন্না ইলেক্তোরেল প্রোসেসগী মতাংদা নুংনাংনরিবশিং হান্না কোকহনবনা ফগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

ইলেক্তোরেল টিমশিংগী ৱাকৎশিং য়েংশিনবা লোইদ্রিঙৈগী মাঙওইননা মীখলগী রিজল্টশিং লাউথোকপা তারবদি মদুনা অফঘানিষ্টান্দা ক্রাইসিস অমা লাকহনগনি হায়না আ ঈ সী সেক্রেটরিয়েটকী হান্নবগী মকোক অব্দুলাহ অহমদজাইনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট অমসুং হৌজিক ফম পায়রিবা চীফ এগজিক্যুটিভ অব্দুলাহ অব্দুলাহগী কেম্পেয়্যন টিমনা নৌহৌননা ভোট মশিং থিবগী প্রোসেসতা ট্রান্সপরেন্সি লৈহল্লু হায়না তকশিনবগা লোয়ননা কেপিটেল কাবুলদা হৌখিবা নবেম্বর ২৯ দা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোকখিবা মতুংদা হৌজিক্কী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

মীখলগী রেগ্যুলেসনশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা নৌনা খন্নরকপা ৱাফম খুদিংমক ওবজার্ভরশিং অমসুং মিদিয়াগী মমাংদা লাউথোক্কদবনি হায়না ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন কম্মিসন ওফ অফঘানিষ্টান্না ফোঙদোকখি। প্রোটেষ্টরশিংনা কম্মিসনদা য়েৎননিংঙাই ওইবা ভোট ৩০০,০০০ চৎনহন্দ্রিঙৈগী মাঙওইননা প্রিলিমিনরি রিজল্টশিং লাউথোক্তনবা ৱার্নিং তৌখি।

লোমেকরশিংগী অরানবা থৌওংগী মতাংদা ওপোজিসন্না থিজিল্লগনি

করাকাস, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সি) :

ওপোজিসন লোমেকরশিংনা মরম চাদনা প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী গভর্নমেন্টকা মরী লৈনবা বিজিনেসমেন অমা শৌগৎপা ফোঙদোকখিবা রিপোর্ট অমা মিদিয়া আউটলেটে অমনা ফোঙখিবা মতুংদা ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন্না পার্টি মনুংগী মীওইশিংনা চথুরম্বনি হায়রিবা অরানবা থৌওংশিং অদুগী মরমদা থিজিল্লগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা চেৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ওপোজিসন লিদর অমসুং কোংগ্রেসকী চীফ জুৱান গুৱাইদোনা হায়খি মদুদি, লেজিসলেচরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিল্লগনি। ৱেবসাইট অর্মান্দো দোট ইনফোগী মতুং ইন্না ৱাথোক অদুদা ফাষ্ট জষ্টিস, পোপ্যুলর ৱিল অমসুং এ ন্যুজ টাইম পার্টিশিং অসিগী লেজিসলেটর ৯ চেন্নখি।

ৱাথোক অসি ওপোজিসন্না মাদুরোগী মতিক ময়াইশিং হন্থনবা কন্না হোৎনরক্লিঙৈ অমসুং লৈবাক ৫০ হেনবনা ভেনিজ্যুএলাগী লোনা য়াবা লিদরনি হায়না শকখঙলবা গুৱাইদোনা ইনৌ নৌনা লম্বীগী প্রোটেষ্টশিং হৌনবা শেম শারক্লিঙৈদা থোক্লকখিবনি।

হুরানবশিংগী মীংচৎ হেনগৎহন্নবা অমসুং ভেনিজ্যুএলাবু লুট তৌদুনা লাক্লিবা শেঙ্গা-থুমজা অমদি অরান-অহুইগী থবক কয়া তৌখ্রবা মীওইশিংবু শৌগৎনবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুটসন শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্না চুমদবা থৌওং অমনি হায়না গুৱাইদোনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখি।

অর্মান্দো দোট ইনফোগী রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না মাদুরোগী গভর্নমেন্টনা শৌগৎপা ফুদ দিষ্ট্রিব্যুসন প্রোগ্রামগা মরী লৈননা করপসন তৌরম্বগীদমক্তা য়ু এসনা অথিংবা থমখ্রবা অলেক্স সাব কৌবা কলম্বিয়ান নুপা অমগা শম্নৈ হায়বগী খুদম চাংদম কয়া লৈবা অতোপ্পা কলম্বিয়ান নেসনল কার্লোস লিজকানো কৌবা মীওই অমবু শৌগৎপা উৎলদুনা লোমেকরশিংনা লেটরশিং ইখিবনি হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Ref :- Vide Mut. Case No. 755/SDC/Oinam of 2019

1. Thingbaijam Angouba Singh, S/o (L) Mangi Singh of Irengbam Makha Mayai Leikai (0.075 acres)
2. -do- Surjit Singh, S/o -do- of -do- (0.075 acres)
3. -do- Jagat Singh, S/o Amuyaima Singh of -do- (0.075 acres)
4. -do- Bhagat Singh, S/o -do- of -do- (0.075 acres)
5. -do- Sanjit Singh, S/o (L) Ibohalbi Singh of -do- (0.0375 acres)
6. -do- Muba Singh, S/o Khongnangjao Singh of -do- (0.0375 acres)
7. -do- Janda Devi, D/o Manijao Singh of -do- (0.075 acres)
8. -do- Kishworjit Singh, S/o (L) Tomba Singh of -do- (0.0375 acres)
9. -do- Gojen Singh, S/o -do- of -do- (0.0375 acres)
10. -do- Dinna Singh, S/o -do- of -do- (0.0375 acres)
11. Th. Khambaton Singh, S/o -do- of -do- (0.0375 acres)

...Applicants

-Vs-

1. Thingbaijam Mangi Singh S/o (L) Thabal Singh of Irengbam
2. -do- Amuyaima Singh, S/o -do- of -do-
3. -do- Khongnangjao Singh, S/o -do- of -do-
4. -do- Tomba Singh, S/o -do- of -do-

...O.P. Pattadars

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dated : 02-12-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নম্বর ২৯- ইরেংবম খুলগী পাট্টা নম্বর ১৩৭ অরিবা, অনৌবা ৪২০ দাগ নম্বর ৩০৮, এরিয়া ০.৬০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিশিংনা মৃ: পাট্টাদারশিংগী মমিং কল্লগা মখোয়গী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/5416/03 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Oinam

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER (V)

Ref :- Mut. Case No. 617/AS & SO-(V) 2019

Khwairakpam Gojendro Singh, S/o Ibotombi alised Joychandra Singh of Keishampat Konjeng Hajari Leikai
...Petitioner.

-Vs-

Late Aheibam (N) Khwairakpam Ongbi Meipakpi Devi, W/o Kh. Ibotombi @ Joychandra Singh of Keishampat Konjeng Hajari Leikai

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

Dt. 2/12/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং 91 (A) Lamphelpat কী পাট্টা অরিবা নং 48 অনৌবা পাট্টা নং 86 দাগ নং 7026/7114 এরিয়া .0029 চাওবা ইংখোলগী লম অসি পিটিস্নারনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইংখোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

HL-P/5415/03 *Sd/-* **Asstt. Survey. & Settlement Officer, Imphal**

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST- PATSOI

Ref :- Mut. Case No. 1027/2019

Thokchom Meraton Devi, W/o (L) Mohendro @ Rajen Singh of Patsoi Part III
...Petitioner.

-Vs-

Late Thokchom Rajen Singh, S/o (L) Ibocha Singh of Patsoi Part II
...O.P. Party

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / **NOTICE**

The 2nd Dec., 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি, মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থোকচোম রাজেন সিংহ, পীং মৃঃ ইবোচা সিংহ, সাং পাৎশোই পার্ট-২গী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৮০-পাৎশোইগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫৮৩/১৮৮২ দাগ নং ১৯০১/৪০৪২ অমসুং এরিয়ানা .০৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

HL-P/5012/18 *Sd/-* **B.C. to S.D.C/IW-I (Patsoi)**